নহাশিংগী অখন্নবা কাখল : - নহা ফাল

শেলনা সোল্যুসন পুরক্নবগী লম্বী অমখক্তদি নত্তে, অদুবু অয়াম্বদি ঙম্মী।

- বরাক ওবামা

## - "বজাজ ১৫০ : অরোইবা শরুক" -

চহীনা য়ামশিল্লক্লবদা বুধি লৌশিং মাঙশিল্লক্লবদা, পাঙ্গল শক্তি লৈরক্ত্রবদা কনানসু থওইবীরক্তব'সিদি মহৌশানি। ডা. মোইবা থবক্তগী পোত্থাবা চহী ফনা কুইরে, মানা পামজবা সোসল ৱার্কতগীসু তপ্না তপ্না পোত্থারক্লে, নহাশিংনা মহুৎ-মরেং শীনখ্রে। মরক-মরক্তা নীংশিংবীরকপদু নত্তনা মখোয়গী স্পোর্টিং ক্লবকী নহাশিংনা ফাওবা মানা মপাল ফরিঙৈদা কত্থোকপগাদে লায়ননা তৌজরম্বশিংদু থেংনহৌদবনা ডা. মোইবা কনানো হায়বফাওবা মশক খঙনদবসু য়াওরে। অদুবু থেংনহৌবা অখঙবশিংনদি মাবু অদুম্মক শোন্নরি।

ষ্টার স্পোর্টিং ক্লব লিংখৎখিবগী চহী ৫০ শুরকপগী গোল্ডন জুবিলি সেলেব্রেসনদা মখোয় কেন্দ্রগী এম এল এনা অথোইবা লেংবীরকপা, ক্লবকী প্রসিদেন্টনা সভাপতি অদুগা ডা. মোইবানা ঈকায়খুম্নবা লেংবীরকপা ওইনা মৈরা চুখৎতুনা হৌদোকই। মথংদা ক্লবকী ফঙ্কসন তৌরিবা হোলদুগী নাকলদা নীংথিনা শেম শারগা ফিনা কুপ্তুনা থল্লিবদু কেন্দ্রগী এম এল এনা রিবন কত্তুনা মায়খুম হায়দোকই। ময়াম্না খুবাক প্রোক প্রোক খুই। পীক্তকতৌবা ষ্টেজদুগী মথক্তা নম্বর প্লেটসু য়াওদ্রবা বিসু ওসু কেনখ্রবা বজাজ ১৫ স্কুটর বসন্তি উবদা ডা. মোইবাদু খাঙবা য়ারক্ত্রমালে চঙশিল্লক্লগা বসন্তিবু কোন্দুনা কপ্পদু উবদা ময়ামদুসু পূক্লিং নুংশিনখি, চেক মোক লাওনখিদে খরদি।

ডা. মোইবাগী স্কুটর বসন্তি ষ্টার স্পোর্টিং ক্লবনা ক্লবকী মমেন্টো ওইনা থমখিবগী ৱারীনি:

ডা. মোইবানা প্রসিদেন্ট ওইবা স্পোর্টিং ক্লবনা শীন্দুনা নুমীৎ কুননিগী ফুটবোল প্লেয়রশিংগী কেম্প অমা অকাম্পাৎতা চথখি। প্লেয়র কুন, কোচ অমা, এসিষ্টেন্ট কোচ অমা, ওফিসল মঙামুক্তা য়ামদ্রবদা মীওই কুনতরেৎ, কুননিপাল, কুরগুম্বদা কুক্ল্রগী মথক্তা কেম্পতুদা হকথেংননা শরুক য়াবনা ময়ামদুগী ব্রেকফষ্ট, লঞ্চ, দিন্নর শীনবদা ঐগ্যা অনী নেক্তুনা অযুক-নুংথিল নুমীদাং উশোপ পীক্তকপা অমদৌনা চত্থরিবনি। প্লেয়রশিংদি বডজেটকী খনপোৎতে; হৱাই, য়েরুমনা লেনসি য়াপোৎতে; য়েন, ঙানু, শাজাও তকখায়গে হায়রকইনি। মখোয়গী বুট, মোজা, দ্রেশতগী হৌরগা ফিল্ডদা চঙলকপা আইটেমশিং, কোচকী ফি। ফুটবোলগী কেম্প অমা শীনবা হায়বসি তরাই তরাইবা নত্তে, শীনবী লাংবীনবা মীতা নত্তনা পৈশাসু অদুক্কী মতিক চঙবনা অসিগুম্বা কেম্পসি লায়রবা ক্লবশিংনা পাক হেক্তা শীনবা ঙম্নদে। ডা. মোইবানা প্রসিদেন্ট ওইবা স্পোর্টিং ক্লবসি পৈশা পায়বা ক্লবসু নত্তে। মেম্বরশিংনা দোনেসন চৎলগা ফংলকপা খরদুগা মোইবানা কোয়পু-পু কোয়লাক লাক্লগা পাঙথোক্লিবনি। মরাইবক্লা ফরিসু কেম্প মনুংদা নুমীৎ খরা নোং ফুদিৎ ফুনা, শুক্লেপ লেপ্তুনা চুবদগী প্রক্টিস তৌবা য়াদদনা নুমীৎ মঙানি অমগসু চোন্থখি।

ডা. মোইবাগী অতাঙবা মকোকসি শোকপদা পোকই হায়বদু য়ৌরে। মথা শাবদা চাবা থকপা চঙদ্রে, থবক ইনখাংকা মথোং মরম খঙদ্রে। ওফিসসু কাবোই কাদবোই তৌরম্বদদগী শুকাবু কাদ্রে হায়দুনি। মকোক্তু খুং উংবদৌনা উরু উরু উংঙে। মাগী অরৈবা পৈশাসু শৎতোক-শৎতোক্তুনা লোইনা থাদখ্রে। পুবা য়াবা মরুপ-মপাংদগী পুশিল্লে অদুবু তিলাইখোম্বীনা থম্না শায়বদৌনা প্রেক প্রেক শায়জিল্লকপদা ফনা পাক্লম্বা লুপা লাখ অমা কায়সিদি কৈসু ওইদ্রে। পৈশা লৈত্রে খরা লেপখিসি হায়বসু য়াদবনিনা উপায় লৈরক্তদুনা চপ চপ লেপ্লগা উংবা হৌরে। কোক থাদবা হৌরকই, মহাক্কী স্কুটর বসন্তিদু থৌরগা কেম্প মফমদগী রিমস তম্না থৌরকই। কেসিয়র ইবোয়াইমদা হায়রকই, "তা য়াইমা ! উপায় অমা তৌবীদবা য়াদ্রে। লুপা লাখ অমত্তা ওইরসু পীয়ু ঐগী মমাঙ থাদা জি পি এফ লোন থাখিবদুদগী ককশিলহৌ।" কেসিয়র ইবোয়াইমনা ফনা পীনিংদ্রবসু মানা নমদুনা লুপা লাখ অমা লৌরকএ। ডা. মোইবা শ্বর খরা হোন্দোকএ। কেম্পগী চাবা থকপগী দুকানগী শোৎচিল্লুবা বাকি খরা শিংদোক্লে, বাকিদা শোৎলগা চাক থোংহনবা ঐগ্যা অনীদুদা খুৎপায় শেল ওইনবা খরা খরা পীথোকখিবদা মখুৎতা লুপা লিশিং ২০মুক্তা লেমহৌরে। ঙসিদি ৱাসু ৱারে যুমদা লেকউরগে হায়দুনা অহিংগী পুং ১১মুক তারম্লনি ময়ুম য়ৌবদা। কোন্থোংদগী শুমাং তম্না থৌজিল্লকপা বসন্তিগী খোদোক খোদোক লাওবা মখোলদু তাবদা, ডা. মোইবাগী নুপীনা থোঙ হাংদোকই। ফি হোংদোক্লবা খুদৈ, সেন্দল লানশিল্লি, শেৎলু চারুবা ফুরিৎ খোঙ্গ্রাও লোইশিনবা হৌরকই। নুমীৎতুদি নুপীগী সেবাকা শুকপাম পামজদে ডা. মোইবাসে। লুপা লিশিং ২০মুকসি মাগী নুপী উদনবা কদায়দা লোৎসিগে খনবদা হুমাং কাজৈ।

মথংগী অয়ুক্কি পুং ৭.৩০গী রেদিও পাউ তানা তানা ডা. মোইবাগী মনাওনুপা পাখংদুনা মাঙ্গোলদা সউনগী খোঙউপ সেন্দল ময়াম'মা পুথোক্তুনা কাপ থাই। চহী অহুম-মরিমুক শুরবা মচানুপাদুনা শুমাংদা চেন-চোংদুনা শান্নে। মাগী নুপীনা তুলসিবোংদা ধুপ থাউমৈ কৎনবা হোৎনৈ। অঙাংদুদা মখুরাদুনা নখোয় বাবাগী অমুবনা উৎ-মচু ওল্লবা খোঙউপতু লৌথোকউচো, বাবাচা কাপ থাবীরমগে হায়বদুদা অঙাংদুনা খোঙউপ জুরা অনীদু কাংখদগী চিংথোরক্লগা মখুরাদা পী। মনমনা লৈকায় পল্লাল্লবা লুম-লুম লাওবা মোজা জুরাদু খোঙউপ মনুংদগী শৎ শৎ চিংথোক্লুবদা শুত্রেক-নাত্রেক শুজিন্দুনা অহিংদুমা ৱানা খাঙলম্লবা গান্ধী মকোক ময়াম্মা ষ্বাই চাইখায়রকপদুদা মখুরাদুনা অঙাংদুদা হায়রকই নোই বাবাগী উৎ-মচুগী খোঙউপসিদি ঐদি নহানমখৈ খঙদে মহি ময়াই চেনবা পাক্সি ওইরম্মেদনা। য়াহৌ থেঙ্গনবা ডা. মোইবাদু মাঙ্গোলদা গান্ধী মকোক, পাক্সিকা পন্নবদু তাবদা শ্বাই লাওনা ফমুংদগী ফুক হৌগৎলগা অফিং-অফাই ওইনা মাঙ্গোলদা ফৎ থোরকপদা, পৈশা ময়ামদু মাগী নুপীনা খোমজিল্লন্মী। "পৈশাদু লিশিং কুন শুব্রা য়েংঙু?", ডা. মোইবা মাগী নুপীদা হায়। নুপী খুল্লকই, ঙরাংদি ঐনা পৈশা খরা পীয়ু হায়বদদি পৈশা মরি ফাওবা পায়দ্রে থুনসে কোং কোং লাউরে হায়দুনা, নঙগী মফোল থোক্লবা পর্স্কাদু উৎতাইনে, ফুরিৎখাওকাতু মথিবোং থোকখৈ চিংথোক চিংথোক্তুনা য়েংহন্দাইনে।

মথং মথং...


আর কে নরেন্দ্র

# পুন্সিদা অমুক মায়থিবনা পুন্সি চুপ্পা মায়থিরে হায়না লৌনরম্লবদি অব্রাহম লিঙ্কনসু অমেরিকাগী ফীদমনীংঙাই ওইবা প্রসিদেন্ট ওইরম্লোই

নোকফেৎ তৌবা মায়থোঙগী মরুমদা

*দা চানা, ফাওগৎলক্লিবা এক্টর কম মোদেল*







পুন্সিগী খোঙচৎতা অৱা-নুংঙাই পুন্না চৎমিন্নৈ হায়বসি অচুম্বনি হায়বসি ঐখোয় পুম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। মসিগী ময়েক লারবা খুদম কয়া ঐখোয়গী মাংদা তাদুনা লৈরি। হৌখিবা পুৱারীগী লৈমায় হাংদোক্তুনা য়েংলুরবসু অমদি ঙসি ঙসিমক হীরম কয়াদা মায়পাক্তুনা লৈরিবা মীওই কয়াগী পুন্সি নৈনরুবদা ঐখোয় পুম্নমক্না খঙন-উনরবা ৱাফমনি। কনাগুম্বা খরনা চৎলিবা পুন্সি খোঙচৎ অদুদা করিগুম্বা হীরম অমদা নৎত্রগা এগজাম পাস তৌদ্রে অমদি নুপী কায়নরে লোয়ননা নুপা কায়নরে হায়না অরানবা লম্বীদা চৎতুনা অমদি ময়ায় কাবা চিঙ্গাক শীজিন্নদুনা পুন্সিবু অমুক্তা হেন্না অৱাবা ফীভম অমদা ওইহল্লকই। অদুবু তশেংনা মুন্না খন্থরুরবদি ঐখোয়না ঙসি ৱারে অমদি মায়থিরে হায়রিবসি মালেমগী শক্লাইরবা অফাওবা কয়াগী পুন্সি ৱারী পারুরবদি অমরোমদা করিসু নত্তে হায়বা য়াই। মসিগী খুদম কয়া অমদি লৈখ্রে। অদুবু মীওই খরা খজিক পল্লবদা অমেরিকাগী ১৬শুবা প্রসিদেন্ট ওইখিবা অব্রাহম লিঙ্কন, ইলেক্ট্রিক লাইট বল্ব, মোসন পিকচর কেমেরা অমদি সাউন্দ রেকোর্দিংনচিংবা মখল কয়া পুথোকখিবা থোমাস ইদিসন, মমিং লৈরবা হৌজিক-হৌজিক হীংলিবা স্পেস এক্সকী ফাউন্দর অমদি সী ই ও ইলোন মস্ক, চাইনাগী অলিবাবা গ্রুপকী কো ফাউন্দর জেক মা অমদি ইন্দিয়াগী ওইনা লাল বাহাদুর শাস্ত্রি, অমিতাব বচ্চন অমদি লমদম অসিগী হায়রগনা মীয়ামগী লুচিংপুরেন হীজম ইরাবতকী পুন্সি ৱারী ঐখোয়না নীংশিংবা য়াই। মখোয়গী পুন্সি নৈনরুবা মতমদা ঙসি ঐখোয়না ৱারে অমদি মায়থিরে হায়না খল্লিবা অসিদি করিসু নত্তে হায়বা য়াই।

ঐখোয়গী ইরমদম অসিদসু টেলেন্ট য়াম্না লৈরবা নহা কয়া লৈরি। মখোয়বুসু ঐখোয়না অঙম-অঙম্বা মায়কৈদা পুক্লিং থৌগৎপীবগা লোয়ননা মতেং পাংবিরবদি শোয়দনা মালেমদা মণিপুরবু অমুক্তা হেন্না মীংচৎ পুরকপা ঙমগনি। সাইন্স অমদি স্পেস সাইন্সতা মালেমগী ওইনা ফাওরে হায়রিবা স্পেস এজেন্সি অমা ওইরিবা নাসা ফাওবদা মণিপুরগী মচা য়াওরি হায়বসি ঐখোয় পুম্নমক্না নীংশিংমিন্নবা চুমগনি। হৌরক্লিবা মীরোলশিংনসু মখোয়গী মতৌ তমদুনা হোৎনবা চঙই। নীংহন্নবা লৈতনা হৌখিবা পুন্সিদা থেংনখিবা মায়থিবা অমদি অৱাবা কয়া অদুনা পারা অমা ওইদুনা লাক্কদৌরিবা পুন্সিদা অমুক্তা হেন্না মায়পাকপা অমদি হৌখিবা পুন্সিদা মায়থিবা নঙখিবা অদুবু মায়থিবা পীবা ঙম্নবা হোৎনবা মথৌ তাই। ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরদসু মগুন কয়াতনা য়োল্লবা নহা কয়া অমা লৈরি। ফজখ্রবা থল্বাল অদু লৈখোম মরক্তা হৌরবসু মীয়াম্না অদুমক শক্ল-শোন্নরি। হোৎনববু লেপত্রবদি নোংম-নোংমা নৎত্রগা নোংমদি শোয়দনা মায়পাকপা হায়বসি শোয়দ্রবনি।

অসিগুম্বা ফজরবা ৱাখল্লোল কয়া চেল্লিবা ইম্ফাল ইষ্টকী লম্লাই এ সীগী মনুংচন্না লৈবা চানা ময়াই লৈকায়দা লৈবা থোকচোম মুহিন্দ্রো অমদি থোকচোম ওংবী মেমচাগী মচানুপা মশাগী চহী ৩১ খক্তা ঙাইরিবা য়াম্না নহা ওইরিবা থোকচোম দা চানাসু অমনি। মহাক্কী মচিন মনাও মরিগী মনুংদা মহাক্লা ইতোন তোনবনি। মহাক গ্রেজ্যুএসন লোইশিনখ্রে। মহাক্কী হৌখিবা পুন্সিদা মোদেল্লিংগী লম্দা পুন্সি লম্বী খোঙদাবা হৌরকখিবগা লোয়ননা হৌজিক-হৌজিক্লা ম্যুজিক এলবম অমদি ফিল্ম কয়াদা শরুক য়াবা কন্না হৌরক্লিবা নহা অমনি। ইমুং-মনুংনা মেন্টেলি অমদি ফিজিকেল্লি মপুং ফানা সপোর্ট তৌজরবসু শেলগী অৱাবা কয়া লৈনা-লৈনা মশানা তাঞ্জবা শেনফমশিং তুংশিনদুনা মহাক্লা পামজনা চৎচরিবা লম্বীদুদা চৎলিবা মীওই অমসুনি। ঙসিসু অহাংবা মতমদা মমাগী থবক ইনখাংদা চাওনা অদুমক মতেং পাংলি। মহাক তরু তরুবী, থা-থা থাবুংতোন অমদি নোংমৈ পায়বা রেপিষ্টনচিংবা মণিপুরী ফিচর ফিল্মশিংদা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না পাম্না য়েংনখিবা ম্যুজিক ভিদিও এলবম লৈহৌরগে নাইতোম তানা, করম্বা লৈচিলগী ময়েক্লে হায়বনচিংবা কয়াদসু শরুক য়াখ্রে। হৌজিক-হৌজিক মহাক্লা মরুওইবা রোলদা এক্ট তৌবা ম্যুজিক ভিদিও এলবম অমদি ফিল্ম খরসু লাক্কদৌবা লৈরি। মোদেল্লিংগী লমদা অহানবা ওইনা হেল্লি লাইথাংবমদা তম্লকখি। এক্টর অমা ওইনবগীদি থোইদোকপা ওজা-গুরু নাইনা তমখিবদি লৈতে। মশা মথন্তা হোৎনজবগা লোয়ননা সীনিয়র আর্টিষ্টশিং অমদি মহাক্কী লোয়নরিবা মরুপ-মপাংশিংগা তান্নদুনা হোৎনদুনা লাকখি। ফিল্ম অমদি আর্ট এন্দ কলচরগী থবক তৌনা-তৌনা মণিপুর লৈঙাক্কী থবক কয়াদসু চঙবা ঙম্নবা হায়দুনা য়াম্না কন্না হোৎনরি। মহাক্কী হোৎনজমনগী মতুংইন্না নোংমদি শোয়দনা মীয়ামগী মপুং ফানা থবক তৌবা ঙম্বা অমদি মশক নাইবা মীওই অমা শোয়দনা ওইগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা অমগা লোয়ননা হৌজিকসু হোৎনবা লেপত্রি। মহাক্কী পুন্সিগী মখা তারকপদসু মীয়ামগী থৌগল তৌবগা লোয়ননা লমদম অসিগী মীংচৎ পুরক্তুনা মশক্লাইবা মীশক অমা ওইবা হায়বসি মহাক্কী মঙলান অমনি।

লম্বী খুদিংমক্তা য়াম্না লাইনা মায়পাকপা অমদি মশক নাইবা মীওই অমা ওইবা হায়বসি ওইথোকপা ৱাই। মরম অদুনা মহাক্লা পাম্না চৎচরিবা লম্বী অসিদা ঙসিসু অৱা-অনা থীদনা মশানা মরোমদোম লেপচবগা লোয়ননা শেল তানশিঞ্জদুনা মহাক্লা পামজরিবা লম্বী অদুদা মায়পাক্লা চৎপা ঙম্নবা হোৎনরি। লোয়ননা পুন্সিদা নীংবা খুদিংমক থুংগনি হায়বা লৈতে। তৌবতবু মানা-মানা পাম্না চৎচরিবা লম্বী অদুদা অৱা-অনা থীদনা হোৎপু হোৎনরবদি শোয়দনা মায়পাক্কনি হায়বসিসু মহাক্কী অচেৎপা থাজবনি। মহাক্কী পুন্সিদসু লম্বী অসিদা চঙশিন্নবা অমদি হৌজিক-হৌজিকমকসু চৎনবা হোৎনবদা অচৌবা অৱাবা কয়া থেংনদবদি নত্তে। ঙসিসু যুমগী লৈত-লায়রদা চাওনা মতেং পাংবগা লোয়ননা মশাবুসু পাম্না চৎচরিবা লম্বী অদুদা মায়পাক্তবা য়াদে হায়না য়াম্না কন্না হোৎনরি। পাউচে অসিনা মহাক্লা উনদুনা ৱারী শারুবদা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা পাউজেল ওইনা ফোঙদোরকখিবদা ঐখোয় পুম্নমক অৱা-অনা থীদনা হোৎনমিন্নসি। চৎলিবা পুন্সিগী লম্বীদা নীংবা থুংদবা অমদি মায়থিবা কয়া লাক্লবসু মদুদা ৱাখল ৱাদনা অমদি নীংহন্নবা তৌদনা মখা তানা হোৎনগদবনি। লোয়ননা নীংবা থুংদ্রে হায়দুনা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী ইপাক্তা কুমথনবা মতম পুম্নমক্তা তৌবিগনু হায়বসি মহাক্লা লমদম অসিগী ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা পাউজেল পীজনিংই হায়নসু পাউচে অসিদা মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

ডা. খাইদেম অথৌবা

## এ আই আর ইম্ফালগী এঞ্জিনিয়রিং সেক্সননা পুথোকপা সোফ্ট ৱায়র অমদি হার্দ ৱায়রশিং উবদা দেপ্যুটি সেক্রেটরিনা থাগৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মীৎয়েং মখাদা লৈবাক শীনবা থুংনা চত্থরিবা স্পেসল কেম্প্যেন ২.০ হায়রিবা লূ-নানবগী কেম্প্যেন অসিগী মখাদা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালনা চত্থবা লূ-নানবগী থবকশিং ইনফোর্মেসন ওফ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্ট্রিগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি এন সনাতোম্বনা হকথেংননা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী অতোপ্পা মফমশিংদা তৌনদ্রিবা মওংদা এঞ্জিনিয়রিং সেক্সননা পুথোকপা তোঙান তোঙানবা সোফ্ট ৱায়র অমদি হার্দ ৱায়রশিং উবদা দেপ্যুটি সেক্রেটরি এন সনাতোম্বনা অপেনবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা থাগৎলমখ্রে হায়না এ আই আর ইম্ফালগী হেদ ওফ আর এন যু গীন গাংতেনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।



চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ইনফোর্মেসন ওফ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্ট্রিগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি এন সনাতোম্বনা লাকখিবা য়েংশিন খোঙচৎ অদু মিনিষ্ট্রিনা মণিপুরদা লৈবা মিনিষ্ট্রি অসিগী তোঙান তোঙানবা য়ুনিটশিংদা চত্থবা স্পেসল কেম্প্যেন ২.০গী কেম্প্যেনশিং য়েংশিন্নবা ইম্ফালদা থুংলখিবনি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী দিরেক্টর এঞ্জিনিয়রিং এন নন্দকুমারগী লুচিং মখাদা হৌখিবা চহীশিংদগী চত্থরকখিবা লূ-নানবগী থবকশিং য়েংশিল্লবা মতুংদা এন সনাতোম্বনা ফোঙদোকখিবদা, ওল ইন্দিয়া রেদিও (এ আই আর) ইম্ফালনা পায়খৎলিবা লূ-নানবগী থবকশিং অসি য়াম্না নীংথিনা অমদি কাঙলোন চুম্না পাঙথোকপা থেংনরে। মসিগী মথক্তা ওফিস অসিগী শীজিন্নদ্রবা পোৎলম কয়া গভর্ণমেন্ট ঈ-মার্কেটিং (জেম)গী খুত্থাংদা ওক্সন তৌদুনা লুপা লাখ ৩৭ লোম লৌখৎপা ঙম্বা হায়বসি য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। মতৌ অসুম্না ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালনা পায়খৎপা থবক থৌরমশিং তোঙান তোঙানবা মীদিয়া য়ুনিটশিংনসু তৌফম থোকই। লূ-নানবা হায়বসি পুম্নমক্কী য়াইফবনি হায়নসু ফোঙদোক্লমখি হায়রি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ইন্সপেক্সন অদুদা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালনা পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা স্লাইদ সো উৎতুনা ইনফোর্মেসন ওফ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্ট্রিগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি এন সনাতোম্বদা য়েংহনখি। দেপ্যুটি সেক্রেটরি অসিনা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী ষ্টাফশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিং অদুবু থাগৎলদুনা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী ষ্টেসন অসি হেন্না ফগৎনবা অমদি ষ্টাফশিংনা থেংনবা খুদোংচাদবা অমদি অৱাৎ-অপাশিং মহাক্কী মায়কৈদগী ইনফোর্মেসন ওফ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্ট্রিদা খঙহন্নবা হোৎনরগনি হায়নসু ফোঙদোক্লমখি হায়না চেরোলদুনা মখা তারি।

## লাইবক ফবী নিংঙোল খনবগী থৌরম অয়াংপল্লিদা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচ এন এস): য়ুথ সোসল ক্লব কম ইনফোর্মেসন সেন্টর, অয়াংপল্লি রোদ খুরাইনা শীন্দুনা ঙসি নিংঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা পাঙথোকপা লাইবক ফবী নিংঙোল খনবগী থৌরম অমা য়ুথ সোসল ক্লব কম ইনফোর্মেসন সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ঙসি পাঙথোকখিবা লাইবক ফবী নিংঙোল খনবগী থৌরম অদুদা থৌদাম নিংঙোল লাইরিকয়েংবম লৈকায়দা ওংখিবী ইবেথোইনা চহী অসিগী লাইবক ফবী নিংঙোলগী টাইটল ফংখি। টাইটল অসিগা ঈরোয়ননা কন্সোলেসন প্রাইজ ওইনসু লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী নিংঙোল মঙাসু খন্দুনা নিংঙোল খুদোল তমখি।

অসিগুম্বা লাইবক ফবী নিংঙোল খনবগী থৌরম অসি পাঙথোকপগী নুংগী ওইবা ৱাফমদি চহী অমগী মনুংদা অমুক্তং লাকপা নিংঙোল চাক্কৌবগী নুমীৎ অসিদা নিংঙোলশিংবু হরাও তয়াম্না ওকপা অমদি কুইনা মতম শাংনা উনরুদ্রবা নিংঙোলশিংবু মীকুপ খরদা ওইরবসু পুন্না উনহন্দুনা অৱা-নুংঙাই পাউদম্নবনা নুংশিনবা হেনগৎলক্কনি হায়বগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। ঙসিগী লাইবক ফবী নিংঙোল খনবগী থৌরম অদুদা খুরাই চিঙ্গাংবম লৈকায় জি পিগী প্রধান এল কাননবালানা নিংঙোলশিংদা খুদোল তমখি। লোয়ননা হান্নগী ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট থৌদাম রুহিনিকুমারনা নিংঙোলশিংবু হরাও তরাম্না ওকপগী ৱারোল অমদি থৌরমগী নুংগী ওইবা ৱারোলসু ফোঙদোকখি।

লোয়ননা থৌরম অদুদা য়ুথ সোসল ক্লব কম ইনফোর্মেসন সেন্টরগী হান্নগী প্রসিদেন্ট থৌদাম রুহিনিকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, চহী খুদিংগী ক্লব অসিগী মায়কৈদগীসু অসিগুম্বা থৌরমশিং অসি শীনবা ঙম্নবা নিংঙোলশিংনা য়াইফ থৌনি পীবীরম্মু। লোয়ননা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু অসিগুম্বা থৌরম অসি শীনবীয়ু। অসিগুম্বা থৌরমশিং পাঙথোকপনা লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা মীওইশিংগী মরক্তা হেন্না নুংশিনবা অমা পুরকহনবা ঙম্বদা নত্তনা শাগৈ ওংখ্রবী নিংঙোলশিংনা মতম শাংনা মখোয় মশেল উনদুনা পুন্সিগী অৱা-নুংঙাই ঙাইহাক্তং ওইরবসু পুকমেন পাউমেন্নদুনা কোকপা অমদি হরাও মোমোন পুরকপসু ঙমগনি হায়খি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৯।১০।২০২২ ইং, থাংজ; অয়ুক পুং ৮.১৭ ফাওবা হিয়াঙ্গৈগী ৪ পাল্লি, মতুং ৫নি পাল্লনি।

মেষ: ওইজবতা খল্লবা, মীনা হায়বতা লৌরবা, নথক থোংবগা মুক্নরদি ওইজবা মাঙগনি। অয়ুক্কী পুং ১০ ফাওবদি অফবা খোঙশাল লৈ, শেন্দোং লৈ, মরুপ্না চানগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফৎত্রসু নীংবদি থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃষ: মীয়ামগা মরী ফবা ৱাৎকনি-পুক্লিং লাঙগনু। মীনা ইনশিনবা লৈরদি চাদিং হেনগনি। মরুপ মপাংনদি চানবীগনি, হৌজিনখ্রবা লমদদি মীথোই-মীহেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

মিথুন: খ্বাইদগী হেন্না নীংবা থুংগনি। লেঙদবা লন চাওখৎনবা হোৎনবদা চাওনা মায় পাক্কনি। অদুবু হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎকনি, খোয়রাংগনু, ৱায়াম ঙাংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক লৈরে।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

কর্কট: থেংলপ্পা নীংবা থুংগনি, শেন্দোং লৈগনি, হকচাং নুংঙাইবা হেনগনি, লৌশিং চাওগনি অমদি লাই-গুরুনা চানবীবা হেনগনি। য়েৎনবা মরমদদি পাঙদে।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংই, নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

সিংহ: পাংঙমদবা থবক পাঙবগী নুংঙাইজবা, মরী-মতাগা অমদি মীয়ামগা মরী ফগৎপা, মীনা লাকচবা ঙমদবা অফবা নুমিৎনি। মীতোপ থাজরদি পামদবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কন্যা: নাপলনা নরল মাঙহঞ্জবা অমদি চাদিং হেনবগী নুংঙাইতবা লৈ। থেংলপ্পা নীংবা থুংগনি, শেল-থুমগী লমদা মায় পাক্কনি, নক্লবশিংনদি য়াম্না থাগৎপিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- খরা ফরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

তুলা: হরাওবা, ৱাখল নুংঙাইবা অমদি থবক মায় পাকপা লৈ। চাদিং হেনবা অমদি নথক থোংবনা চৈবীবা য়াবদি লৈ-ৱাঙাং চেকশিল্লু। থৌনাদি হনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

বৃশ্চিক: পুং ১০ ফাওবা অফবা খোঙশাল লৈ। পাউ নুংঙাইবা তাবা, লম চৎপা কান্নবা, মরুপ মপাং অমদি মরী মতানা চানবীবা লৈ। মীয়াম লোয়নবদি কান্নরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- হেন্না ওইজবা থিগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

ধনু: নীংবা মপা চাগনি, ৱাখল নুংঙাইজগনি, শেন্দোং য়াম্না লৈরনি। নথক থোংবগী মতেং চাওনা ফংগনি। হন্থবা লোয়নবনা পেন্দবা খরা লৈরসু মীয়াম্নদি চানবী।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক খরদি লৈরে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মকর: অয়ুক পুং ১০ ফাওবদা থৌরম পাঙবা হৌবা মায় পাক্কনি, লল্লোন ঈতিক্তসু কান্নগনি, মীনা ঈকায়খুম্নবীগনি। মরুপ মপাং ফংবা, থৌনা হেনগৎপা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কুম্ভ: থবক পাঙবতা নত্তনা শেল থুমগী লমদসু নীংবা থুংজগনি। লৌশিংনা অমদি অচুম্বনা উপায় ওইবদি লেঙদবা লন চঙগনি। য়েক্লবনা য়েংশিনবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হামু হামুনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিন: মীপায়রম্বা কোকচদুনা থবক পাঙগনি, নীংবা থুংগনি, মীয়াম্না য়াগনি, মীরক চঙলগা হেন্না নুংঙাইগনি। য়েক্লবনদি মরুপ শাদুনা লৈ- অরোনবা হায়গনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## অনীশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা নেসনল দিৱার্মিং প্রোগ্রাম লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচ এন এস): দেপ্যুটি কম্মিস্নার থৌবাল অহন্থেম সুভাশনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা অনীশুবা তাঙ্কক্কী নেসনল দিৱার্মিং প্রোগ্রাম লোঞ্চ তৌখ্রে হায়না দিষ্ট্রিক্ট ইনফোর্মেসন ওফিসর থৌবালগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

দেপ্যুটি কম্মিস্নার থৌবালগী সী এম ও কমপ্লেক্সতা লৈবা দি ঐচ এস কনফরেন্সতা লোঞ্চ তৌখিবা থৌরম অদুদা দেপ্যুটি কম্মিস্নার থৌবাল অহন্থেম সুভাশনা ফোঙদোকখিবদা, অসিগুম্বা থবক থৌরমশিং অসি মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা কুমজা ২০১৫গী ফেব্রুৱারী থাদগী নেসনল দিৱার্মিংগী কেম্প্যেন অসি লোঞ্চ তৌদুনা পাঙথোকপা হৌরকখিবনি। অসিগুম্বা কেম্প্যেন অসিগী মনুং চন্না লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিংদা অনা-লায়েংগী মতাংদা খুদোংচাবা কয়া পীবা ঙম্লগনি। মখা তানসু কেম্প্যেন অসিগী মনুং চন্না মখল মখা কয়াগী কেম্প্যেনশিং চত্থগনি হায়খি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা সী এম ও থৌবাল ডা. ৱাই নোকুলনা ফোঙদোকখিবদা, অসিগুম্বা থৌরম অসি দিৱার্মিংগী মরুওইবা অমদি খঙদবা য়াদ্রবা ৱাফমশিং খঙহন্নবগীদমক্তা নেসনল দিৱার্মিং দে হায়না পাঙথোক্লরিবনি। মসি অঙাংশিং হায়বদি চহী ১দগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা ইন্টেষ্টাইনেল ৱার্মস অমদি ইরাদিকেসননচিংবা হীরমশিংগী মতাংদা তাকপী তম্বীবগী থৌরম অমসুনি। থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালগী এম এস ডা. সী ঐচ মেমচানসু দিৱার্মিং কেম্প্যেনগী মতাংদা মরুওইবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি হায়রি।

## কৈথেল ষ্টোর কল্লেক্সন অমদি দিষ্ট্রিব্যুসন সেন্টর ইম্ফাল ব্রাঞ্চ হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচ এন এস): ঙসি ইম্ফালগী এয়রপোর্ট রোদতা লৈবা এল এল বিল্ডিংগী গ্রাউন্দ ফ্লোরদা কৈথেল ষ্টোর কল্লেক্সন অমদি দিষ্ট্রিব্যুসন সেন্টর (সী দি সী) অমা হাংদোকখ্রে হায়না পি এ এন এন কোর্পোরেসন পুনেগী সী ঈ ও হাওবম রোমিতাগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।





কৈথেল ষ্টোর কল্লেক্সন এন্দ দিষ্ট্রিব্যুসন সেন্টর হাংদোকপগী থৌরম অদুদা দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টস (য়াস), গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দিরেক্টর টি ফুলেন মৈতৈ; পি এ এন এন কোর্পোরেসন লিমিটেদকী সী ঈ ও, এস রোমিতা; এল এল বিল্ডিংগী প্রোপ্রাইটর ডা. এল জয়দেবনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদু পি এ এন এন কোর্পোরেসনগী প্রমোটর ডা. এম নিরজ লুৱাংনা ৱেলকম এদ্রেস পীদুনা মফম অসিদা কৈথেল ষ্টোর কল্লেক্সন অমদি দিষ্ট্রিব্যুসন সেন্টর হাংদোকপগী মরুওইবশিং ফোঙদোকখি। হায়রিবা ঙসি হাংদোক্লিবা কৈথেল ষ্টোর অসি তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী সিটি হায়বদি পুনে, বেঙ্গলুরু, গোৱা অমদি অতোপ্পা লৈবাক সাউথ কোরিয়া, দুবাই, থাইলেন্দ, ভুটাননচিংবা ৱর্ল্ডগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা এক্সপান্সন তৌনবসু হোৎনরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না এল এল বিল্ডিং প্রোপ্রাইটর ডা. এল জয়দেবনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি ঐখোয়গী ইম্ফালদা কৈথেল ষ্টোর কল্লেক্সন অমদি দিষ্ট্রিব্যুসন সেন্টর (সী দি সী) অমা মায় পাক্লা হাংদোক্লিবসি ঐখোয় পুম্নমক্কী য়াইফবনি। মসি তুং কোয়না চৎপা ঙম্বসু ওইসনু হায়খি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না পি এ এন এনগী সী ঈ ও এস রোমিতানা ফোঙদোকখিবদা, কুম্জা ২০০০দগী পি এ এন এন কোর্পোরেসন্না অসিগুম্বা থবকশিং অসি পায়খৎনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়াসু মায়োক্লখি হায়বনচিংবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি হায়রি।